**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 27-03-2025)**

**গভনর (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা হায়রি-লৈবাক অসিদগী অকক বা মতমগী মনুংদা টি.বি. লায়না পুংমুৎ মুখৎনবা সরকারনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। ইং কুমজা ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা টি.বি. লায়না, লৈবাক অসিদগী মুথৎনবা হোৎনবদা থল্লিবা ঐখোয় পুমমক্কী মঙলান অদু মঙফাওনহন্নবা আশা অমগা লোয়ননা হোৎনবা তায়।

ইম্ফালগী রাজ ভবনগী দরবার হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা ৪৪ শুবা মালেমগী টি.বি. লায়না নুমিৎ থৌরমদা শরুক য়ারদুনা রাজ্যপালনা হায়-প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী টি.বি. মুক্তা ভারত মঙফাওনহন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমকা অচৌবা থৌদাং লৌবগী তঙাইফদবা লৈ।

টি.বি. লায়না মুথৎনবগী পান্দমদা চংশিল্লিবা নুমিৎ ১০০ নিগী কেম্পেইন মনুংদা মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলা তরুক্তা হৌখিবা দিসেম্বর তরেৎতগী হৌদুনা পুন্না মীওই লাখ অমরোম লায়না অসি লৈব্রা খঙদোকবা চাংয়েং তৌবগী থবক চথখি। মদুদা, মীওই ৪০০ রোম টি.বিনা নাবা থেংনখি। য়ুমথোং য়ুমথোং চংদুনা চাংয়েং তৌবা অমদি লায়েংবগী থবকসু মনুং হুনজিনবা মফমশিংদা চথখি। ঐখোয় পুমমকা টি.বি. লায়না মুথৎনবা চংশিল্লিবা খোঙজং অসি শরুক অনি হেনগৎনা চংশিন্নবা ৱাশকমীন্নবগা লোয়ননা মালেম অসি টি.বি. লায়না লৈতবা মালেম অমা ওইহন্নবা হোৎনমীন্নসি হায়নসু রাজ্যপাল মখা তানা ফোংদোকখি।

**মেদিয়া (এল)ঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী কলেজ দিবলপমেন্ট কাউন্সিল অমদি মহুদ বিভাগনা পুন্না শিনদুনা 'অমোৎ অকায় নীংথিনা লোয়শিনবা অমদি ইশাগী

থৌদাং’ হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা মেদিয়া সেন্সিটাইজেসনগী ৱার্কশোপ অমা য়ুনিভরসিতিগী কমিতি রুমদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী দাইরেক্তর-ডা: তৌরাংবম ব্রজাকুমার সিংহনা হায়-মীওইবনা পুথোরকপা মখল কয়াগী অমোৎ-অকায়শিং অসি মফম চানা লোয়শিন্নবা হোৎনবদা মীপুম খুদিংমক্কী অচৌবা থৌদাং লৈ। ঐখোয়না কান্নদ্রে হায়না হুনে দাক্লবা পোৎলমশিং মতৌ করমা অমুক হন্না অতোপ্পা কান্নবা হীরমশিংদা শিজিন্নবা য়াবা পোৎলমশিং ওন্থোকবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

মহাকা হায়-অমোৎ-অকায় পুথোকপগী চাং নীংথিনা হন্থহন্নবা হোৎনবনা অকোইবগী ফিভমদা শোকহনবগী চাং হন্থহনবদা মতেং ওইগনি। হীরম অসিগী মতাংদা সরকারনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংশিংদসু মীয়ামনা অঙম্বা মতেং পাংবীনবা শ্রী ব্রজকুমারনা হায়-

থৌরম অদুদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসার-এন. লোকেন্দ্র সিংহ, মহুদ অমসুং আই.পি.আরগী দাইরেক্তর-ঙাঙোম উতম, পাউমীশিং অমদি মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

**এময়ু (এল)ঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ কেমেষ্ট্রি অমসুং এম.য়ু. কেমেষ্ট্রি এল্যুমনাই এসোসিয়েসন অনিনা পুন্না শিনদুনা ‘ইমরজিং চেলেঞ্জেস ইন দা ফ্রন্টিয়ারস ওফ কেমেকিকেল সাইন্সেস’ হায়বা হীরমদা নুমিৎ নিনি চত্থগদবা অহুমশুবা জাতি থাক্কী মীফম ঙসি মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ওদিটোরিয়মদা হৌখ্রে।

মীফম অসিদা য়ুনিভরসিতিশিংগী রিছোর্স পার্সনশিং অমদি তোঙান তোঙানবা কলেজশিংগী ওজা অমদি মহৈরোইশিং শরুক য়াখি।

**ছুতি (এল)ঃ** রাজ্য সরকারগী  শেল থুমগা মরী লৈনবা লোইশঙশিং থা অসিগী

২৯, ৩০ অমদি ৩১, নুমিৎ হুমনি অসি ছুতি থারোই হায়রি।

শেনবা চহি ২০২৪-২৫ গী থবক থৌরমশিং লোয়শিনগদবা মরমনা ওটোনোমস বোদি, ইন্সটিট্যুসন, কোরপোরেসন, সোসাইতি অমদি বোর্ডশিং হায়রিবা নুমিৎশিং অসিদা ছুতি থারোই। মসিগী মথক্তা রাজ্য অসিদা লৈরিবা পাব্লিক অমসুং প্রাইবেট সেক্তর বেঙ্কশিংসু হায়রিবা নুমিৎশিং অসি ছুতি ওইরোই। মসি জেনরেল এদমিনিষ্ট্রেসন দিপার্টমেন্টনা থোকপা চেরোল অমদা হায়বনি।

**ই-বস (এল)ঃ** ই-সেবা কেন্দ্রগী থবক থৌরমশিং মীয়ামদা নীংথিনা য়ৌহনবা ঙমবগী পান্দমদা ই-সেবা মোবাইল বস ঙসি হৌদোকখ্রে।

হায় কোর্ট ওফ মনিপুর অমসুং মনিপুর জ্‌দিসিএল একাডমীনা পুন্না শিনদুনা খুৎশমদুনা লমদম অসিদা অহানবা ওইনা ই-সেবা মোবাইল বস হৌদোকপনি। খোঙথাং অসিনা কোর্টকী থবক থৌরমশিংদা খোংজেল য়াংনা থবক পাঙথোকপা ঙমহল্লগনি।

মনিপুর লিগেল সার্ভির্সেস ওথোরিতি অমদি দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভির্সেস ওথোরিতিগী খুত্থাংদা ই-সেবা মোবাইল বসকী খোঙথাং অসিনা মীয়ামদা আইনগী ওইবা থবক থৌরমশিং লেমা ফংহনগনি। মীয়ামনা আইনগী ওইবা থবক থৌরমশিং ই-ফাইলিংগী খুত্থাংদা পীখৎলকপা য়াগনি অমসুং মীয়ামনা কেস লেপ্পা অমসুং ত্রাফিক চলান ককপদা ভরচুয়েল কোর্টকী খুত্থাংদা ককপা য়ারগনি।

**সনাজাউবা (এল)ঃ** মনিপুরগী রাজ্য সভা এম.পি. ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা ঙসি রাজ্য সভাদা মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা হীরমশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া পুখৎখ্রে।

পুখৎখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা মনিপুরগী জিলাশিং-কাংপোকপী, তেংনৌপল, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমদি ফেরজোলদা ইং কুমজা ১৯৬৯ দগী

২০২৪ ফাওবগী মনুংদা খুল ৮৯৩ হেনগৎলে। মসি চহি ৫০ অসিগী মনুংদা হেনগৎফম থোকপা চাংদগী য়ামা হেল্লবনি। মসি মনিপুরদা লৈরিবা কাংলুপ অমগী মীওইশিংনা রাজনিতিগী খুদোংচাবা ফংনবা হোৎনবনি।

ভারতকা ম্যান্মারগা লোন্নবা মফম অমা ওইবগী খুদোংচাবা লৌরগা কাংলুপ অমগী মীওইশিংনা আইন কায়না মীতোপ কয়া পুশিল্লক্লি। মসিনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা কেন্দ্রশিংদা মীশিং কা হেন্না হেনগৎপগী সমস্যা অমা মায়োকরি। মরম অদুনা রাজ্য অসিদা দিলিমিটেসনগী থবক থৌরম তৌদ্রিঙৈদা ইং কুমজা ১৯৫১ দা য়ুম্ফম ওইরগা এন.আর.সি. তৌথোকবা ইনিংথৌ সনাজাউবনা সরকারগী পুকিং চিংশিনখি। মসি খক্তনা মনিপুরগী য়েলহৌমীশিং কন্দুনা থম্বা ঙমগনি, নৎত্রবদি ইরমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিংগী তুংগী মরাইবক করি ওইগদগে হায়বদু খঙবা ঙম্লরোই হায়নসু মহাকা সরকারগী পুকিং চিংশিনখি।

**ফেষ্টিবেল(এল)ঃ** নুমিৎ মঙানিগী ওইবা নোর্থ ইষ্ট দান্স এন্দ ম্যুজিক ফেষ্টিবেলগী মরিনি চনবা নুমিৎতা লমদম অসিগী শকাইরবা তাংখুল শৈশকপা-পদ্মশ্রী গুরু রুবেন মশাংবনা উৎখিবা ঈশৈ-নোংমাইগী থৌরমনা অয়েংবা মীওই কয়াগী পুকিং শুমহৎখি।

রিদমস ওফ মনিপুরনা শিনদুনা মনিপুরি জগোই মরুপকী গোল্ডন জুব্লি ষ্টেজতা ঙসি উৎখিবা গুরু রুবেন মশাংবগী ফৌশু ঈশৈ অমদি অতৈ ঈশৈশিংনা অয়েংবশিংগী পুকিং চিংশিনবা ঙমখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মনিপুরগী ষ্টেট সোং-সনা লৈবাক মনিপুর হায়বা ঈশৈ অসিসু ফ্যুজন তৌদুনা রিদমস ওফ মনিপুরনা উৎখি। ফেষ্টিবেল অসি কেন্দ্রগী কলচর মন্ত্রালয়গী শেন্থং মখাদা শিনবনি।

**মেলা (এল)ঃ** সোসিয়েল জষ্টিস অমসুং ইম্পৱারমেন্ট মন্ত্রালয়গী মখাদা

দিপার্টমেন্ট ওফ ইম্পৱারমেন্ট ওফ পার্সন ৱিথ দিসএবিলিতিজনা শিন্দুনা ঙসিদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিবয়াংজনশিংগী পরপল ফেষ্ট ২০২৫ ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতিগী কন্মর্স হোলদা হৌখ্রে। কম্পোজিৎ রিজনেল সেন্তর ফোর স্কিল দিভলপমেন্ট, রিহেবিলিটেসন অমসুং ইম্পৱারমেন্ট ওফ পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজগা পুন্না শিনবা থৌরম অসিদা ষ্টেট কম্মিসনার ফোর পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজগী প্রসিদেন্ট দব্লিউ. বিরাহরি সিংহ অমসুং ধনামঞ্জুরি কলেজ ওফ সাইন্সকী প্রিন্সিপাল এম. ভুবনেশ্বরি দেবী শরুক য়াখি।

**সংর্কিতন (এল)ঃ** কেন্দ্রগী কলচর মন্ত্রালয় অমসুং নেসনেল স্কুল ওফ দ্রামা-ন্যু দিল্লিগী মীৎয়েং মখাদা খা-মনিপুর হিন্দুষ্টানি সম্বিৎ মহা বিদ্যালয়-ককচিংনা শিনদুনা ফেষ্টিবেল ওফ সংর্কিতন এন্দ ফোল্ক দান্সকী থৌরম, ককচিংদা লৈবা এম.এম.এস. জেনিয়স একাডমীদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা বিদ্যালয় অসিগী মহৈরোইশিংনা উৎপা সংর্কিতনগী নুপা অমদি নুপী পালা, মাইবী জগোই অমদি অতৈ থৌরম কয়ানা অয়েংবশিংগী পুকিং চিংশিনখি।

**এৱারনেস(এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন (এম.এস.সি.ডব্লিয়ু) অমসুং ওল সনথেল ৱিমেন দিবলপমেন্ট এসোসিয়েসনগা খুৎশমরগা 'নুপীগী মায়োক্তা চত্থবা হিংশা' হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা মীয়ামবু নীংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা ইম্ফাল ইষ্টকী সনথেল বজারদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা পুন্না মীওই ১২০ শরুক য়াখি। এম.এস.সি.ডব্লিয়ুগী চেয়ারপার্সন-থুমলিপ তিমনিংফম মোনশাং য়াওনা কম্মিসন অসিগী থৌমী কয়া শরুক য়াখি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** লিয়াংমৈ নাগা কাতিমাই রুৱাংদি, মনিপুরনা শিনদুনা

মহৈরোইশিংগী ওইবা চুন্নবা শিনফম খনবা অমদি সি.য়ু.ই.টিগী মতাংদা নীংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা কংলাতোংবীদা লৈবা লিয়াংমৈ বেপটিস সেন্টর চর্চতা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মহৈরোইশিংনা মহৈ তল্লিবৈঙেদা চুন্নবা শিনবা করমা খঙগনি হায়বগী মতাংদা রিছোর্স পাসন কয়ানা ৱা ঙাংখি। লাহরিক পাবগী হৈনবী থম্বা অমদি মতম লিকা শিজিন্নবগী মতাংদা ডা: ধনবির লাইশ্রমনা ৱা ঙাংখি।

**হেন্দলুম (এল)ঃ** কেন্দ্রগী টেক্সতাইল মন্ত্রালয়গী দিবলপমেন্ট কম্মিস্নার ফোর হেন্দলুমসকী মীৎয়েং মখাদা হটকরঘা মেলা পাঙথোল্লগনি।

মনিপুর হেন্দলুম অমদি হেন্দিক্রাফট দিবলপমেন্ট কোরপোরেসননা শিনবা মেলা অসি মথং থাদা পাঙথোল্লগনি হায়রি। হেন্দলুম, হেন্দিক্রাফট, কে.ভি.আই.সি, লিমোনগী পোৎথোক পুথোকপা স্তোল ৬০ রোম হাংগনি। লমদম অসিগী খুৎশা হৈবা মীওইশিংনা পুথোকপা পোৎলমশিং হেন্না মগুন লৈহন্নবা অমসুং রাজ্য অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা মীয়ামনা মেলা অসিদা শরুক য়াবীনবা মনিপুর হেন্দলুম অমদি হেন্দিক্রাফট দিবলপমেন্ট কোরপোরেসননা আপিল তৌরি।

**মন্টকিবাটঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ১২০ শুবা পুকিংগী ৱা, মনকী বাট লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা অকাশবানিগী থোংদা শন্দোক্কনি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা শ্রী মোদিনা হায়- হন্দক থাগী ওইনা মনকি বাটকী থৌরমগীদমক মীয়ামদগী তোঙান তোঙানবা ৱাখল্লোন পীরকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি। অসিগুম্বা মীয়ামগী ৱাখল্লোন অসিনা সমাজ অসিগী ফনবগীদমক অপুনবা শক্তী তঙাইফদে হায়বদু উৎলি। শ্রী মোদিগী ১২০ শুবা মনকি বাট থৌরমগীদমক মীয়ামা মখোয়গী ৱাখল্লোন তোল ফ্রি নম্বর

১৮০০-১১-৭৮০০ নত্রগা নরেন্দ্র মোদি এপ নত্রগা মাই গোভ ওপন ফোরমদা হয়েং ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লকপা য়াগনি।

**অশ্বিনিঃ** কেন্দ্রগী ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং ইনর্ফোমেসন টেকোলোজি মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা হায়রি-মালেমদা ফাইব জি পুথোকপদা ভারতনা মালেমগী ওইনা অনিশুবা মফমদা লৈরে।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মহাকা হায়-সরকারনা লেপ্লা লৈতনা হোৎনবদগী তোঙান তোঙানবা সেক্তরশিংদা অওনবা কয়া পুরকপা ঙমলে। মহাকা হায়-লম অসিদা তোঙান তোঙানবা সেক্তরশিংদা লুপা কোতি লাখ ১১ রোমগী শেনফম থাদখ্রে।

মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিদা মেদিকেল কলেজ অমদি আই.আই.টি. ইন্সটিট্যুটশিং লিংখৎপগী চাং হৌখিবা চহি তরা অসিদা শিংথানিংঙাই ওইনা হেনগৎতুনা হান্না লৈরম্বদগী শরুক অনি হেনগৎলে। চহি অসিদা মেদ ইন ইন্দিয়া চিফ পুথোকবা হোৎনরি হায়নসু মহাকা ফোংদোকখি।

**অমিতঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-সাহকর সে সমরিধিগী মখাদা সাহকর হায়না মিংথোনবা টেক্সি সার্ভিস অমা হৌদোক্লগনি।

লোক সভাদা ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা শ্রী সাহনা হায়-থা খরগী মনুংদা টেক্সি সার্ভিস অসি হৌদোক্লবা মতুং চাকা অনি পানবা গাড়ি, রিক্সো অমদি চাকা মরি পানবা গাড়িশিংগী রেজিষ্ট্রেসন তৌরবা মতুং সার্ভিস অসিদগী লাকপা শেনে দাং, দ্রাইভরশিংদা হকথেংননা ফংহনগনি।

কো-ওপোরেসন মন্ত্রালয়না লেপ্লা লৈতনা হোৎনবদগী সাহকর সে সমরিধি থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্লগনি। কো-ওপরেটিব ইন্সুরেন্স কম্পানি অমসু অথুবা মতমদা শেম্লগনি হায়না মহাকা ফোংদোকখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ-২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ফুটবোল ক্লব লমজাউনা কৈনৌ লাইব্রেরী এন্দ স্পোর্টস এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ৬-১, দা এঠলেটিক্স ফুটবোল ক্লবনা সঙ্গাই হিরোজবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** অহানবা শামুরৌ চিগোং ট্রোফি নাইন মেন এ-সাইট ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-পি.য়ু.এফ.সি-পুংদোংবমনা সাইপো এফ.সি. কৈবীবু পাঞ্জল ৪-১ দা, ৱাই.ডব্লিয়ু.এ. ৱাঙ্গৈইনা ওল স্তার কিয়ামগৈবু পাঞ্জল ৮-৭, আর.এফ.সি.সি-কৈনৌনা এন.সি.পি. ময়াং ইম্ফালবু ৩-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরগী মীৎয়েং মখাদা ইশোক ফুটবোল ক্লবনা শিনবা অনিশুবা ঐচ. পান্থোইবী দেবী এন্দ ঐচ. তোম্বা সিংহ মেমোরিএল অন্দর থারতিন বোইজ ফুটবোল লিগ ঙসি শান্নিখিবা মেটচতা য়ুথ ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননা ক্রাউবু পাঞ্জল ৮-৩ দা থোইখ্রে।

**পালো (এল)ঃ** মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসন, ইম্ফালনা শিনদুনা অহুমশুবা চিতামোহিনি ষ্টেট ৱিমেন্স পোলো কপ-২০২৫ হয়েং ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা পাঙথোক্লগনি।

**কাং (এল)ঃ** অনিসুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা মেমোরিয়েল লিগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-থাংমৈবন্দনা ৱাঙ্গৈইবু পাঞ্জল ১৮-১৬ তা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** অনিশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিএল টি-

টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ৱাই.য়ু.সি.সি. ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলবু ৱিকেট ৮ দা অমসুং ৱাই.ডব্লিয়ু.সি. লংথাবালনা এল.সি.সি. লমশাংবু ৱিকেট ৬ তা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** চহি ২৩ মখাগী নুপাগী অনিশুবা এম.এন.সি.এ. হাওম বিরমঙ্গোল সিংহ মেমোরিএল ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-পি.টি.আর.সি. পাৎশোই পার্ট ফোরনা এস.সি.সি.সি. শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইবু ৱিকেট ৫ দা, এ.এল. আমিন লিলোংনা সেদো থাংমৈবন্দবু রন-২১৬, ক্রাউ খমাম বজারনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি. লালাম্বুং মখোঙবু রন-চাহুম তরেৎ, এ.কে.এস.দি.ও. খাঙবোকনা টি.সি. এম.দি.সি. থোংজ্ পার্ট টু পেচু লম্পাকপু রন-৯ দা থোইখি।